**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-04-2026)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা হায়রি-মীকোক থিবগী থবক লোয়দ্রিবা ফাওবদি নেসনেল রেজিস্তার ওফ সিটিজন্স (এন.আর.সি) অপদেদ তৌবা য়াদে।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মীয়ামনা পাল্লিবা অসি মীকোক থিবগী থবক চথদ্রিঙৈ মমাংদা এন.আর.সি. অপদেদ তৌবনি অদুবু মসি তায়ওন্নবা ফিভম অমদা চৎনদুনা লৈরম্লে। হীরম অসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা সেমিনার অমা শিন্নবা থৌরাং তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা শান্তি পুরক্তুনা তংদু লৈতাবা থম্বা হায়বসি সরকার অসিগী অপাম্বনি। সরকার হায়বসি প্রজাগীনি। প্রজাগী পেন্দবা হায়বসি সরকারদা হায়ফম থোকপনি। মীয়াম পুন্না ৱারী শাদুনা অইংবা মনিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নসি।

হীরম খুদিংমক পুন্না ফম্মীন্নদুনা ৱারী শান্নরগা তাথোক তাশিন তৌনরবা মতুংদা শান্তি পুরকপনবা হোৎনসি। ইরাং অসিনা মহৈরোইশিং স্কুল কাথোক কাশিনদা অদুক্কী মতিক খুদোংচাদবা মায়োকহনবতা নত্তনা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবশিংদা অৱাবা চৈথেং পীরে। মীয়ামদা আপিল তৌরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কনাগুম্বা সংস্থানশিং খোঙজং চংশিনদ্রিঙৈগী মাংওইননা সরকারগা উন্নদুনা ৱা তান্নরবদি পুমমক গ্যান তান্নগনি। লৈবাক অসিদা শান্তি পুরকপা ঙমগনি।

মহাকা হায়-সরকারনা শান্তি পাম্মী হায়দুনা মীয়াম অমসুং সি.এস.ওশিংনা পুন্না য়াদ্রগদি শান্তি পুরকপা ঙম্লোই। শান্তি পুরকবা হোৎনবদা ৱারী শাশি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা

থিবা হুম্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা গাড়ি ২২০ লোম পুশিল্লকখ্রে।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী হত্তা গোলাবতিগী পব্লিক হোস্পিতাল ময়াদগী মীওই অমা লোক খুবগী হিদাক-কোদিভা বোট্টল ১৫০ গা কোন্ননা ফাখি। নুমিৎ অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা গাড়ি তরেৎ খামদুনা প্লাষ্টিক্কী কন্টেন্নর ৪৮ দা হাপ্লম্বা পেত্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং ফাগৎপা ঙমখি। পোৎলমশিং অদু মোরে তমা পুনবা হোৎনরম্বনি।

অমরোমদা, গ্রেটর ইম্ফালগী মফম কয়াদা শান্তি থুগায়নবা হোৎনবগা মরী লৈননা মদুদা চেন্নবা মীওই তরুক পুলিসনা ফারে হায়রি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৩ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**বঙ্গলাদেসঃ** ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (ডব্লিয়ু.ঐচ.ও) না বঙ্গলাদেস অসি মিজলস লায়না শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

ডব্লিয়ু.ঐচ. ওনা হায়-হীরম অসিগী মতাংদা খুদক্তা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। ওর্গনাইজেসন অসিনা হায়-লায়না অসি থোরকপগী চাং

হেনগৎলক্তুনা লৈবাক অদুগী জিলা ৬৪ গী মনুংদা জিলা ৫৮ দা পাক্তকনা শন্দোরক্লে। মরুওইনা চহি মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদনা হেন্না নাবা থেংনরে।

ওথোরিতিনা চহি অসি খক্তদা লায়না অসিনা মীওই ২৪০ হেন্না শিরন্বা য়াই হায়না পান্নরি। মসিগী মথক্তা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মীওই লিশিং কয়া হোস্পিতালদা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরি। অখঙ অহৈশিংগী পাউ মতুং ইন্না মিজরস লায়না শন্দোরকপগী চাং ৱাংলক্লিবা অসি মরুওইনা তিকা থাবগী চাং নেম্বদগীনি হায়রি।

ডব্লিয়ু.ঐচ.ওনা বঙ্গলাদেসকা য়ুমলোন্নরিবা ভারত অমসুং ম্যান্মারদা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবনা লায়না অসি শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা ফোংদোরক্লি। ডব্লিয়ু.ঐচ.ওনা বঙ্গলাদেস সরকারদা তিকা থাদোকবা খঙহনবগা লোয়ননা সরভিলেন্স হেনগৎহন্দুনা রেপিদ রেস্পোন্স টিমশিং থাজিন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

**কেম্পেইনঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। মরুওইবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। মখোয়না রোড সো, রেল্লিনচিংবা পাঙথোক্লি।

ইষ্ট বরদুৱানগী জমলপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-মহাক্কী দলনা রাজ্য অসিদা সরকার পায়রক্লবদি য়ুনিফোর্ম সিভিল কোড অমসুং তরেৎশুবা পে কম্মিসন চৎনহনগনি। মসিগী মথক্তা মতুৱা জাতিশিংগীদমক দল অসিনা লেপ্তুনা লৈরি অমদি নুপীশিংবু অশোয় অঙাম য়াওদনা চৎহন্নবগীদমক লেমা বস তোংহনগনি।

হুগ্লীদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়-সরকারগী হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং নুপীশিংনা মেনশিন্নবগী খুদোংচাবা পীগনি। বি.জে.পি. লুচিংবা জে.পি. নদ্দা, নিতিন নবিন, উত্তর

প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথ, অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনচিংবনা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবী-মমতা বেনর্জি, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনসু মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ভোট খোমখি।

**এলপিজিঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা এল.পি.জি. য়াওনা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং অপনবা লৈতনা ফংহন্নবা সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়-য়ুমথোং য়ুমথোংদা এল.পি.জি. ফংহনবা হায়বসি সরকারগী খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি। হৌজিমক্কী ওইনা এল.পি.জি. দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদগী এল.পি.জি. লৈতবগী পাউ ফংদে। ওন লাইনগী খুত্থাংদা এল.পি.জি. সিলিন্দর বুক্কিং তৌবগী চাং চাদা ৯৯ য়ৌরে। অদুগা ও.টি.পিগী খুত্থাংদা এল.পি.জি. সিলিন্দর ফংহনবগী চাংসু চাদা ৯৪.৫ য়ৌরে।

মন্ত্রালয়না হায়-চহি অসিগী মার্চতগী হৌজিক ফাওবদা পি.এন.জি. কন্নেক্সন লাখ ৫ লিশিং ৩৬ হেন্না পীখ্রে। মসিগী মথক্তা অনৌবা পি.এন.জি. কন্নেক্সনগীদমক কস্তমরস লাখ ৬ হেনবনা রেজিস্তার তৌরক্লে।

**আইপিএলঃ** ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙরাং ন্যু দিল্লিগী অরুন জেতলি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাব কিংসনা দিল্লি কেপিটেসপু ৱিকেট তরেৎতা থোইখি।

হান্না বেটিং তৌখিবা দিল্লি কেপিটেলসনা অপীবা ওভরদা ৱিকেট অনি তুরগা রন-২৬৪ লৌখি। পান্দম অসি পঞ্জাব কিংসনা ওভর ১৮ গা বোল মঙাদা ৱিকেট মরি তুরগা য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-জয়পুরগী সৱাইমান সিংহ ষ্টদিয়মদা শান্নবা মেটচ

অমদা সন রাইজরস হায়দ্রবাদনা রাজস্থান রোয়েলসপু ক্রিকেট মঙাদা থোইখি। হান্না বেটিং তৌখিবা রাজস্থান রোয়েলসনা অপিবা ওভরদা ক্রিকেট তরুক তুরগা রন-২২৮ লৌখি। পান্দম অসি সন রাইজরসনা ওভর ১৮ বোল অহুমদা ক্রিকেট মঙা তুরগা য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি চেন্নাই সুপর কিংস অমসুং গুজরাট টাইতান্স অমদি লক্ষনৌ সুপর জাইন্স অমসুং কোলকাতা নাইট রাইদরস শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কোকোমিনা শিন্দুনা মীয়ামগী রেল্লি চৎখিবগী পাউ, ইং-তপ্পা পুরকবা ষ্টেকহোল্ডর পুমমক্কা ৱারী শান্ননবা চীফ মিনিস্তরনা আপিল তৌখিবা অমদি ত্রোলাউবীগী মীহাৎ থিজিন্নবা এন.আই.এগী এক্সপার্টশিংনা ইগজামিন তৌখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মায়কৈ কয়াদগী মীয়ামা সি.এমদা ৱাহং তরেৎ হংবা চঙশিন্নরকখি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী বেন্নর হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা-কোকোমি অমসুং মীয়ামনা লৈঙাক্তা হংবা ৱাহং তরেৎকী চেরোল পীশিন্নবা থোমজিন্নরকপদা লানফমগা পাঙ্খকখ্রে, মীয়াম তানখায়বদা ইম্ফাল মনুংদি টিয়ার গ্যাস কাপ্পগী মখোল অমসুং মৈখুনা পীক থনখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

গভনরমেন্টনা কোকোমিনা হংলিবা ৱাহং তরেৎকী পাউখুম পীখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ত্রোংলাউবী অমসং গেলমোনগী মীহাৎ-এন.আই.এ. অমসুং ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা ইগজানি তৌখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা

মচু শংদুনা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে।

এ.আরগী থৌওংদা নুপী অনি শোক্লে, টি.এন.এলনা কন্দেম তৌখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা ফোংলি। পাউ অসি পাউচে অতৈদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

খোঙজোম লানগী অথৌবশিংদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংলি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, সনা লৈবাক অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ডা: মোইরাংথেম ধনবিরদা লান্দনদগী দাইবেটিস মেলিটস লায়েংগীদমক ফেলোসিফ পীরক্লে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।